# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-04-2026)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা হায়রি-ইমা কৈথেল অসি মনিপুরি নুপীশিংগী থৌনা লিংজেল উৎলিবা মফম অমনি।

শ্রী ভালানা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-য়ামা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌদুনা মনিপুরি নুপীশিংনা কৈথেল অসিদা ফমদুনা, ঙসি ফাওবদা তোপ তোপ্পা শক্তম অমা কন্দুনা থল্লক্লি। মখোয়গী হোৎনজমন অমসুং থৌনা লিংজেল অসি মমল নাইদ্রবা খুদোল অমনি। মনিপুরি নুপীশিংনা অখাঙ কনবগা লোয়ননা অপুনবগী শক্তম অমসুং নুপী ওইবীশিংগী তোঙানবা শক্তমশিং মীরোল কয়া ঙাক্তুনা থল্লকপদা ইমা কৈথেলনা চাউরবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। কৈথেল অসি মনিপুরি নুপীশিংগী থৌনা অমদি নাৎ-চৎনবীগী শক্তমশিং মপুং ফানা উৎলিবা মফম অমসু ওইরি হায়না রাজ্যপালনা শিংথাখি।

**ওটিজম (এল)ঃ** ঙসি ৱার্ল্ড ওটিজম এৱারনেস ডেনি। নুমিৎ অসিদা মালেমগী লৈবাক কয়াদা ওটিজমগী মতাংদা মীয়ামবু পাক শন্না খঙহন্দুনা ওটিজমগা লোয়ননা হিংলিবা অঙাংশিংবু মহৌশাগী ঈচেলদা পুরকবগী পান্দমদা নুমিৎ অসি পালন তৌবনি।

ৱার্ল্ড ওটিজম এৱারনেস ডেগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা ৱারী শান্নবদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী সাইক্যাত্রি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার-ডা: আর.কে. লেনিননা হায়-ওটিজম অসি মীওই অমনা পোকপদগী য়াওরকপা ন্যুরো দিবলপমেন্টেল দিসওদর অমনি। ওটিজমগা লোয়ননা হিংলিবা অঙাংশিং ঙন্না খঙদোক্তুনা চুমথোকবা হোৎনবা তঙাইফদে।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবশিং অমসুং খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা অমদি দ্রগ লল্লোনবশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা হৈরোক পার্ট টু, খাঙবোক মহাদেব চীং এরিয়াদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা থারটিসিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অনি, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মেগজিন মঙা অমসুং নোংমৈ মরু লিশিং ২,৩৮৮ ফাগৎলে।

অমরোমদা, অককবা পাউশিং ফংবদগী ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংপাল কোংখাম লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কে.সি.পি. (এম.এফ.এল) গী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খাবৈশোয় এরিয়াদগী আর.পি.এফ.-পি.এল.এগী মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থোঙখোং লক্সমি বজার এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মনিপুর পুলিসনা প্রিপাক্কী মীওই অমা ফারে। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই এরিয়াদগী কে.সি.পি. (অপুনবা) গী মীওই অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে হায়রি।

মরক অসিদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী ঙাথল গ্রাউন্দদগী হৌখিবা মমাং থাগী ২৮ দা দ্রগশিং ফাগৎখি। মদুগী মখা চথরকপা ওইনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ঙরাংসু শাপোন কেপ ২৩২ দা হাপ্তুনা থম্লম্বা দ্রগশিং মনিপুর পুলিসনা ফাগৎলে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফাগৎপা দ্রগ য়াওবা সাপোন কেপ পুন্না ৪৩৯ সুরে হায়রি।

**দোনেসন (এল)ঃ** এসোসিয়েসন ওফ ভোলুন্টরি ব্লড দোন্নরস, দাইলাইষ্টিস পেসেন্টস এসোসিয়েসন-বাবিনা হোস্পিতাল অমসুং পার্সোনেলিটি এন্দ টেলেন্ট দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা পুন্না শিনদুনা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙরাং জেনিমস অমদি বাবিনা হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

মদুদা মীওই ২৫ রোমা ঈ দান তৌখি।

**খেল্লো(এল)ঃ** ছাতিসগরদা চত্থরিবা খেল্লো ইন্দিয়া ত্রাইবেল গেমস ২০২৬ তা তমেংলোং জিলাগী মকুই ভিলেজতগী ক্যচাংলিয়ু গাংমৈনা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৩ গী ৱেথলিফতিং কেটেগোরিদা লুপাগী তকমান লৌরকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

ৱারোল অমদা শ্রী ভালানা হায়-মহাক্কী মায় পাকপা অসিনা মনিপুরিশিংনা শান্ন খোৎনবগী লমদা থৱায় য়াওবা, থকশি খাসি লৈবা অমসুং থোইদোক হেন্‌নে দাকপা গুনশিং অদু অমুক হন্না উৎথোকপা ঙমলে। মহাক্কীদমক রাজ্য অসিনা চাউথোকচরি হায়না ফোংদোকপগা লোয়ননা মহাকা মখা তানা শান্নরকপা মতমদা হেন্না চাউনা মায় পাকপা ওইরসনু হায়নসু রাজ্যপালনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ইস্ফাল ইষ্ট অপুনবা ফুটবোল ক্লবনা শিনবা অহানবা প্রিয়া ফাউন্দরস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬, ঙরাংদগী ইস্ফাল ইষ্টকী খুন্দ্রাকপমদা লৈবা প্রিয়া গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এদিসনেল কম্মিস্নার সেন্ত্রেল জি.এস.টি. মনিপুর ওইরিবা লাংপোকলাকপম প্রভুনন্দা অমসুং ইস্ফাল ইষ্ট অপুনবা ফুটবোল ক্লবকী চেয়ারমেন-এন.জিবনকুমার শরুক য়াখি। ঙরাং অহৌবা নুমিৎকী শান্নখিবা মেটচতা-প্রিয়া খুন্দ্রাকপমনা ই.কে.এফ.এ. সৈজাংবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মহৈরোই অমনা স্কুল কাবগী অহানবা নুমিৎ অসি ইচম চম্বা লাইরিক তম্বা হৌবগী নুমিৎ অমখক নত্তে, জাতি অমগী থৌদাং লৌবা হৌবা নুমিৎনি। ৱাখল্লোন অসি মহৈরোইশিংদা ফাওহন্নবা

হোৎনগদবনি।

ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী মখাদা অঙাংশিংবু হেন্না লায়থোকপা অমদি নুংঙাইবা মওংদা মহৈ মশিং তন্বীদুনা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইরকবা মখোঙ শোন্বীবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী যুমদা পাঙথোকখিবা কেবিনেট কমিতি ওন সেক্যুরিতি (সি.সি.এস) কী অখন্নবা মীফমনা নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা লানগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনখ্রে। মসিনা লান অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা অসিগুম্বা মখলগী অনিশুবা মীফমনি।

মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয়শিং অমদি দিপার্টমেন্টশিংনা লান অসিগা মরী লৈননা ভারত্তা পীরকপা য়াবা চৈথেংশিংগা মরী লৈননা পায়খৎপা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। নীংথম অমসুং কালেন লৌরোক্কীদমক দরকার লৈবা হারগী চাং ৱাৎহন্দনবগী মতাংদসু মীফম অদুদা খন্নখি। লান অসিনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা ভারত মচাশিংবু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা লৌখৎলিবা থবকশিংসু হন্না য়েংশিনখি। লৈবাক অসিগী মীয়াম অমসুং তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা মালেমগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা অকায়বা থোকহন্দনবা দরকার লৈবা থবক খুদিংমক মতম চানা পায়খৎনবসু প্রধান মন্ত্রিনা মরী লৈনবা মন্ত্রালয়শিং অমদি দিপার্টমেন্টশিংদা পাউতাক পীখি।

**শ্রীলঙ্কাঃ** শ্রীলঙ্কানা লৈবাক অদুদা টুরিষ্টশিং লাকপা হেনগৎহন্নবা থৌরাং ওইনা ভিসা য়াওদনা লৈবাক অদুদা চংল্লকপা য়াহন্নবা থা তরুক্কী ওইবা থৌশিল অমা হৌদোক্লগনি হায়রি।

শ্রীলঙ্কা কেবিনেটকী মচিন চৎপা মীশক-নালিন্দা জয়াকিসানা হায়-ইন্দিয়া, চাইনা, রাসিয়া, য়ুনাইটেদ কিংদম, আমেরিকা, জর্মনি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৩৯ দগী লাকপা মীওইশিংনা মখোয় মশাগী পাসপোর্টশিং পায়রবদি ভিসা য়াওদনা শ্রীলঙ্কাদা চংবা য়াহল্লগনি। শ্রীলঙ্কাদা মমাং চহিদা টুরিষ্ট লাখ ২৩ রোম লাকখি। মসিগী শরুক মঙা থোকপগী অমদি ভারত মচাশিংনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা চীফ মিনিস্তর খেমচান্দনা অমিত সাহ উন্নখ্রে। মনিপুরগী মহিলা আই.আর.বি. বটালিয়ন লিংবা, ইং তপ্পা পুরকবগী খোঙজেল য়াংশিন্ননবা হায়রকখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-ঙরাংদি উখ্রুলদা ইরাং থোকখিদে, অৱাবা নুংঙাইতবদি ফোংদোকরিবা হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-ইরানগী লাননা জেট ফ্যুল অমদি কম্মর্সিয়েল গ্যাস মমল হেনগৎখ্রে, দোমেষ্টিক ফ্লাইটকী অতোংমল হেনগৎতনবা লৈঙাকা হোৎনরি হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-চীফ মিনিস্তর খেমচান্দনা হোম মিনিস্তর অমিত সাহ উন্নখ্রে। মহৌশাগী ফিভমদা হনজিলহন্নবা থবক য়াঙশিন্ননবা খঙহল্লক্লে। অনৌবা আই.আর.বিগী মহিলা বটালিয়ন অমা লিংবদা অয়াবা পীরক্লে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-সরকারনা নেসনেল টেলি মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরে।

নহারোলগী থৌদাংদা-সরকার এক্সপান্সন তৌবা ঙমদবা হায়বসি

পার্লিয়ামেন্টরি ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্টতা মীয়ামগী মীহুৎশিংবু সেন্টর লৈঙাকা হন্থনা য়েংবনি-মেঘাচন্দ্র হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মনিপুরদা তংদু লৈতাদবা ফিভম খরা হন্থরক্লবা মতুং দ্রগকী কেসসু হন্থরক্লি হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-তাংশাং নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন-নাগালেন্দনা থোকখিবা থৌদোক অদুগী নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ননা ৯২ শুবা জেলিয়াংরোং সোলিদরিতি ডে নুমিৎ-তমেংলোংদা পাঙথোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তর-অমিত সাহগা মনিপুরগী চীফ মিনিস্তর-য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।